অনীশুবা প্রসিদেন্ট কপ অন্দর-১৪ মেন অমসুং অন্দর-১৬ ৱিমেন হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮

# নুপীগী কাঙলূপ্তা এস ৱাই য়ু সী অমসুং ৱাই সী সী আই সী ফাইনেলদা থেঙ্গাইনরগনি



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএন এস) ঃ মণিপুর হোকিনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্কী এষ্ট্রো টর্ফ হোকি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা প্রসিদেন্ট কপ অন্দর-১৪ মেন অমসুং অন্দর-১৬ ৱিমেন হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী নুপীগী ফাইনেলদা এস ৱাই য়ু সী উচেক্কোন খুনৌ অমসুং ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপ থেঙ্গাইনরগনি।

চহী ১৬ মখাগী নুপীগী কেটাগোরিদা টিম ৭না শরুক য়াদুনা গ্রুপ অনী অমসুং চহী ১৪ মখাগী নুপাগী কেটাগোরিদনা টিম ৯না শরুক য়াদুনা গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা প্রসিদেন্ট কপ অন্দর-১৪ মেন অমসুং অন্দর-১৬ ৱিমেন হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী চহী ১৪ মখাগী নুপামচাগী লীগ রাউন্দগী ১৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৮.৩০ তাবা মতমদা গ্রুপ বিগী এস ৱাই য়ু সী উচেক্কোন খুনৌ অমসুং হোকি একাদেমি খোংমন শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা মীকুপ ফাওবদা এস ৱাই য়ু সীনা গোল ৩-০দা মাঙজিল থাখি। মেচকী অরোইবা মীকুপ লোইশিল্লকপদা এস ৱাই য়ু সীনা গোল ৬-০দা মায় পাকখি।

কেটেগোরি অসিগী ১৬শুবা অমসুং লীগ রাউন্দগী অরোইবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ১০.৩০ তাবা মতমদা গ্রুপ এগী কে ঐচ এস সী খোংমন অমসুং পি ঐচ এ এম ইম্ফাল শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পি ঐচ এ এমগী মায়কৈদগী কে ঐচ এস সীবু লাকচরপ তৌনা শান্নখিবনা গোল ৪-০দা মাঙজিল থাখি। কে ঐচ এস সীগী মায়কৈদগী পি ঐচ এ এমগী টিম্না মাঙজিল থানা চৎলিবা গোলশিং অদু হন্দোক্লবা হোৎনরকখি। মেচকী অরোইবা মীকুপ লোইশিল্লকপদা পি ঐচ এ এম ইম্ফালনা কে ঐচ এস সীবু ৬-১দা মায়থীবা পীখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী চহী ১৪ মখাগী নুপামচাগী লীগ রাউন্দ লোইশিনখিবগা লোয়ননা বিষ্ণুপুর হোকি, এস ঈ ৱাই ও ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায়, এস ৱাই য়ু সী উচেক্কোন খুনৌ অমসুং হোকি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকায় সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

চহী ১৬ মখাগী নুপীমচাগী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা এস ৱাই য়ু সী উচেক্কোন খুনৌ অমসুং বিষ্ণুপুর হোকি শান্নখি। ফাইনেল চঙনবগীদমক শান্নখিবা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এস ৱাই য়ু সীনা বিষ্ণুপুর হোকিবু গোল ৩-০দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখি।

কেটেগোরি অসিগী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৪৫ তাবা মতমদা আইদিএল তেরা বজার অমসুং ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপ শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীকুপ লোইশিল্লকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল অমমম চন্নদুনা টাই ব্রেক তাদুনা পেনালটি য়ৈনখি। পেনালটিদা ৱাই সী সী আই সীনা গোল ৩ চন্দুনা মেচ অদু গোল ৪-১দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী নুপীগী ফাইনেল হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা এস ৱাই য়ু সী অমসুং ৱাই সী সী আই সী শান্নগনি। অহুমশুবা পোজিসনগী মেচতনা বিষ্ণুপুর হোকি অমসুং আইদিএল তেরা বজার শান্নগনি।

অহানবা এলাংবম পুর্নিমা দেবী মেমোরিএল ৱিমেন্স কাং টুর্নামেন্ট

# এস এ ৱাই সী সোরোক অতিংবীনা কে ৱাই সী কালিনগর মায়থীবা পীখ্রে



জিরিবাম, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিএসন জিরিবাম, মণিপুরনা শীন্দুনা ঈ তোমচৌ অমদি মহাক্কী মচিন মনাওশিংনা স্পোন্সর তৌদুনা সেপ্টেম্বর ২৩দগী জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বাবুপড়াদা লৈবা লমলেন কম্যুনিতি হোল কম কাংশঙদা চথরিবা অহানবা এলাংবম পুর্নিমা দেবী মেমোরিএল ৱিমেন্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস এ ৱাই সী সোরোক অতিংবীনা কে ৱাই সী কালিনগর মায়থীবা পীখ্রে।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী কাংখূৎ ৮না শরুক য়াদুনা চথরিবা নীংশিং কাং টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা মেচ ওইনা ঙসি এস এ ৱাই সী সোরোক অতিংবী অমদি কে ৱাই সী কালিনগর শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীকুপ লোইশিল্লকপদা এস এ ৱাইসীনা কে ৱাই সীবু পাঞ্জল ১৩-৮দা মায়থীবা পীখি।

পনবা য়াবদি টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদোকপা নুমিৎতা এস এ ৱাই সী সোরোক অতিংবী অমদি এল ঈ সী বাবুপড়া শান্নখিবা মেচ অদু পাঞ্জল ৯-৯দা দ্রো চৎখি। অদুগা অনীশুবা মেচ ওইনা ঙরাং এম এন কে নিংথেম্ম অমসুং এম আই টি এল জিরিবাম শান্নখিবা মেচ অদু এম এন কে নিংথেম্মা পাঞ্জল ১২-৬তা মায় পাকখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা মেচ ওইনা হয়েং ঈচেল ক্লব অমসুং এম এন কে শান্নগনি।

# তেংনৌপল য়ুথ ক্লব এন্যুএল স্পোর্টস মীট আইট মেন সোক্কর দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএন এস) ঃ তেংনৌপল য়ুথ ক্লবনা শীন্দুনা তেংনৌপল গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলগী শান্নবুংদা ৪১শুবা তেংনৌপল য়ুথ ক্লব এন্যুএল স্পোর্টস মীট আইট মেন সোক্কর দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ ঙসি হৌদোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী টিম ১৯না শরুক য়াদুনা গ্রুপ মরি থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা নিপানশুবা মেন সোক্কর ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা তেংনৌপল এ সীগী এম এল এ দি কোরুংথাংনা চীফ গেষ্ট, তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী এস পি এস ইবোমচানা প্রসিদেন্ট অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর ঐচ রুপচন্দ্রনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা তেংনৌপল এ সীগী এম এল দি কোরুংথাংনা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদু হৌদোকখি। হৌদোকপগী মেচ ওইনা ঙসি জে এম টি পলেল অমসুং কে এম টি মোলপি শান্নখি।

মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীগী মায়কৈদগী অমনা অমবু হেঞ্জিন্নবা ঙম্নদনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীকুপ লোইশিল্লকপদা জে এম টি পলেল অমসুং কে এম টি মোলপি গোল ১-১দা দ্রো চৎখি। জে এম টিগী গোল অদু থাংতিনলেন হাওকিপনা চনখি। অদুগা কে এম টিগী গোল অদুনা হেমমিনসৈনা চনখি।

# নুমীৎ নীনি চূপ্না চথখিবা অহানবা এন্যুএল ইন্দিজিনস স্পোর্টস মীট ২০১৮ ঙসি লোইশিনখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন্না শীন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজ কমপ্লেক্সতা ঙরাংদগী চথরকখিবা অহানবা এন্যুএল ইন্দিজিনস স্পোর্টস মীট ২০১৮ পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর দান্স কোলেজ ওদিটোরিয়মদা লোইশিনখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়নগী নুপা অমসুং নুপী পূন্না শান্নরোয় ৩২০ হেনবনা শরুক য়াদুনা পানা মরি খাইদোক্তুনা নাৎকী মশান্না ৯দা চাংদম্নখিবা অহানবা এন্যুএল ইন্দিজিনস স্পোর্টস মীট ২০১৮ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ এন ইন্দ্রজিৎ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী রেজিষ্ট্রার এল জয়চন্দ্র, এম য়ু সীগী এম য়ু সী টি এগী সেক্রেটরি আই রোবিন্দ্রোনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

স্পোর্টস মীট অসিগী মুক্না মশান্নদা অহল্লুপ পানাগী কোঞ্জেংবম মেমনা অহানবা, খাবম পানাগী থোঙাম য়াইফবনা অনীশুবা অমসুং লাইফম পানাগী নিংথৌজম বিশ্বজিৎনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

পৌ চিংনবগী নুপীগী কাঙলূপ্তা নহারুপ পানানা ৱিন্নর অমসুং অহল্লুপ পানানা রন্নর্স-অপ তাখি। নুপাগী কাঙলূপ্তুনা অহল্লুপ পানানা ৱিন্নর অমসুং লাইফম পানানা রন্নর্স-অপ তাখি। নুপীগী মাংজোং মশান্নদা অহল্লুপকী পি মনোরমানা অহানবা, লাইফম পানাগী ঐচ ইন্দুনা অনীশুবা অমসুং খাবম পানাগী আই রিনাচন্দ্রনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নুপাগী কেটেগোরিদনা অহল্লুপকী ওইনাম কবিনকুমারনা অহানবা, অহল্লুপ পানাগী কোঞ্জেংবম লেম্বনা অনীশুবা অমসুং খাবম পানাগী এম মোমোচানা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

চেঞ্জোং মশান্নগী নুপাগী কাঙলূপ্তা অহল্লুপকী ঐচ সোমোরজিৎনা অহানবা, লাইফমগী এ মোচোইরেন্না অনীশুবা অমসুং খাবমগী টি ঐচ য়াইফবনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। নুপীগী কাঙলূপ্তনা অহল্লুপকী য়াইস্না থোঙাম্না, নহারুপকী এস দেবিয়া অমসুং নহারুপকী কে ঐচ সনাতোম্বীনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। মকোক মথং তাথ্রবশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকখি।






Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com